ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জন্যুৱারী ২১, ২০২১, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৯৪শুবা মশীং

# মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবা

## চহী ৪৯ মপুং ফারক্লবসু চাউখৎপা ষ্টেট অমদি ওইবা ঙমদ্রি

মণিপুর মনিং-মখা তম্না পাল্লম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্তুনা লাক্লি। বৃটিশ লৈঙাক লোইশিন্দুনা ইন্দিয়ানা মনিং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইখিবগুম, কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা মণিপুরসু মনিং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইখি। মণিপুরগী লৈঙাক চুপ্পি মহারাজ বোধচন্দ্রদা শীন্নরম্বগা লোয়ননা কনষ্টিট্যুসন শেমদুনা মরোমদোম লৈবাক ঙাকপা হৌখিবনি। মতম খরগী মতুং কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মহারাজ বোধচন্দ্র, মতমদুগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এদভাইজর ভি পি মেনন অমসুং অসামগী গভর্ণর প্রকাশনা শিল্লোংদা কৌরগা মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। ইকুই কুইদনা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তীনশিনখি। মনিং-মখা তম্না পাল্লম্বা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা ষ্টেটহুদ ফংখি। মণিপুরনা মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবা নুমীৎ অদু ঙসিনি। ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদা মণিপুর মীয়াম্না ষ্টেট অমা ওইবগী মপুং ফাবা চাকথুং ফংদুনা লমদম অসি চাউখৎ লম্বীদা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনবদা মতিং লৈনা থবক তৌবা ঙম্লগনি হায়বগীদমক হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা নুমীৎ পুৱারীগী তাঙ্কক অমনি হায়দুনা চহী খূদিংগী মণিপুর লৈঙাক্লসু ষ্টেটহুদ দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুর ঙসিদি ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা ষ্টেট ওইবা চহী ৪৯ শুরক্লে। ষ্টেটহুদ ফংবা চহী ৪৯ শুরক্লবসু মণিপুর লৈবাক অসিগী চাউখৎলবা ষ্টেটশিংগা নৎত্রগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা চাউখৎপগী লম্বীদা চাংদম্নবা য়ারব্রা হায়বদুদি হংনিংঙাই ওইদ্রি। মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা, মণিপুরনা মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরবদি চাউখৎ লম্বীদা খুম্মাং চাউশিনবা ঙমদুনা লমদমসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোলদা নুংঙাই য়াইফবা, অফবা অওনবা অমা লাক্লগনি হায়না মঙখিবা মঙলান মঙফাওনরব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরি।

মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবা চহী ৪৯ শুরক্লবা মতম অসিদা হান্নদগী অওনবা খরদি লৈতে হায়বা য়ারোই। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরগী লম্বী-থোংগী ফীভম হায়নিংঙাই লৈতনা ফৎলমদে। মফম খূদিংদা ষনগাড়ীগী লীক্লমদা ঙাইরম্মী। লৈঙাক্কী অফবা লোয়শঙ অমফাওবা লৈরমদে। ঈ-পাউ ফাওনবদগী হৌরগা হীরম খূদিংমক্তা শোত্থনা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অওনবা কয়া অমা লৈরে। অদুমকপু অতোপ্পা চাউখৎপা মফম অমগা চাংদম্নবা য়াবা থাক অদুদা লৈরে হায়নদি লৌবা য়াদ্রি। লমদম অসিগী লম্বী-থোংগী ফীভম মতমগা চুনবা মওংদা শেম-শাদ্রি। মীয়ামদা থক্লবা অফবা টোটি ঈশিং মীপুম খূদিংমক্তা নীংথিনা ফংহনবা ঙমদ্রি। শেঞ্জা-থুমজাগী য়ক লাউবা হাইগৎ লাংদা থুংরবা লমদমসিগী নহা কয়ানা থবক ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হকশেল অমদি এদ্যুকেসনগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক পায়খৎপগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাৎলি। লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী ফীভম ঙসি ফাওবা ফগৎলকপা লৈতবগা লোয়ননা মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম অফবা হায়বদু ওইদ্রি। অমমমতা ওইনা পল্লুদ্রগসু মণিপুরদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা মায়োক্লদুনা লৈরি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। মীচম-মীয়াম্না থমখিবা থাজবা কয়া অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসি মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি হিমাই চুম্নবা হোৎনবা অশেংবা লুচিংবশিংসু থোরকপা উদ্রি। মীয়ামগী পুন্সিরোলদা থেংনরিবা মখল মখা কয়াগী অৱাবা মরক্তা ঙসিসু ষ্টেটহুদ ফংখিবগী নীংশিং নুমীৎ হরাও তয়াম্না পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মপুং ওইবা ৱাহন্থোক অমা লৈহন্ননবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা মীহুৎশিংনা নৌনা ৱাশক লৌদুনা চাউখৎলবা মফমশিংগা চাংদম্নবা য়াবা মওংদা অফবা অওনবা অমা পুরক্লনবা হোৎনসি। মতম-মতমগী ওইনা থৌরম খক পাঙথোক্লগা খুৎতি য়াওদনা লৈথোকপগী থৌওংনদি মীয়ামগী অপেনবা ওইরোই। ষ্টেট অসি হীরম কয়াদা শোত্থরি হায়বসি নৌনা অমুক খঙমিন্নদুনা অফবা অওনবা অমা পুরক্তুনা মাঙলোমদা চঙশিন্ননবা থবক পায়খৎসি। ষ্টেটসিবু নুংশিবীবা লো মেকর পুম্নমক্না দিকেদ মঙা ফারক্কদৌরবা ষ্টেটহুদ নুমীৎকী ৱাহন্থোক খঙশিন্নদনা লৈর'নুসি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?

২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোংঙখিবগে?

৪) "শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল' হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?

৫) "হিজন হিরাউ" হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থম্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৪

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

কুমজা ১৯৯০গী অদুৱাইদগী মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি অসুক্কী মতিক ফৎচিল্লকখিদ্রে। নুমিদাংদা লম্বীদা চৎপা য়াম্না খুদোংচাদবা ওইরকই। অকিবগী মশক ওইরবা আর্মি ময়াম অমনা লম্বীগী মচি মরুমদা লুম-লুমদুনা য়াম্না লৈনৈ। মণিপুরসি লানফম অমগুম্না খনবা মাল্লি। অচৎ অওক কয়াদা য়াম্না কিহন খংহনবা অমদি য়াম্না খুদোংচাদবা থোকহনবতা নত্তনা মীফূ, মীহাৎ য়াম্না তোইখৎলকই। অদুবু ঐখোয়দি মীয়ামগী থবক তৌরিবনি, কি হায়দুনা চৎতবা য়াদবনিনা অদুম মচৎলি। নুমিৎ খুদিংগী আর্মি থেংনৈ, মখোয়না মখল কয়াগী অওৎ অনৈ তৌই। ইরেঞ্জনা ৱারী শারগা থাদোরকপসু য়াওই। কা হেন্না ওৎপা কাঙবু অমসু লৈ। মফম খরা লৈ, থৌবাল, ৱাবগাই, থোংজাও, ৱাঙু, থাঙ্গ সেন্দ্রা, ককচীং লমখায়, ৱাইখোং, মসিদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবা আর্মিশিং অসিদি য়াম্না শাথী। অরেম্বদা মতম য়াম্না মাঙহল্লি। কাউবা ঙমদবা শাথীনা কিখিবা নুমিৎ অমগা লৈ, মদু ময়ামদা থম্বদা য়াম্না নুংঙাইগনি খল্লি। ককচীং খুনৌদা লীলা অমা শান্নরুরগা হল্লকপনি। থৌবালদা আর্মি কেম্প লৈ, মদুদা মখোয় ময়াম্না লম্বীদা থৎলগা লৈরম্মী। ঐখোয়না গাড়ী খাম্মে, ময়ামসি লোইনা কুমথরকউ হায়না কুমথরে। পরেং লেপ্পে, অদুগা হকচাং পায়দুনা মথং-মথং চ্যেক তৌই। ঐনা খ্বাইদগী মতোন্দা লেপ্পী। গাড়ীগী মথক্তা মখোয়গী আর্মি অমসু কাখৎলগা য়েংই। মদুদা নুংশা থীববুদি হৌখ্রবনি। মরমদি গাড়ী মথক্তা, তার্পোলিননা তূবা খাও অমদা লীলাদা শীজিন্নবা নোংমৈ হাপ্পনি। মতমদু 'লানপুংগী পুংখোল' হায়বা লীলা অমা শান্নরিঙৈ মতমনি। লীলাদুদা এস এল আর, এ কে ৪৭ অমদি অতৈ নোংমৈ মচা উনা শাবনি মদু হাপ্পী। হেক য়েংবদা মানবদি য়াম্না মানবনি। ঐগী চ্যেক তৌবা মপা য়ৌরকপদা মথক্তগী নোংমৈ য়াওরে হায়না লাউরকপনি। ঐঙোন্দা চ্যেক তৌগনি হায়না তৌরিবা আর্মিদুনা মাগী নোংমৈ মতোন্দা য়াওবা বেনেথ তুনা ঐগী পুকসিদা চক লাউনা থিল্লকপনি। নুমিৎতু নিংথমথাগী ওইবগা, ঐ ফুরিৎ জর্সি, জেকেট লিৎপগী মদুনা ফাদুনা থাঙদোন্দু খিতং পুক্তা য়ৌরকই। ঐসু ফূবা হৌরে। অদুদগী লৈখিদ্রবা চীংলেননা 'সর লীলাগী নোংমৈনি উনা শাবনি' হায়না হায়। অদুদগী য়েংনরগা উনা শাবা ওইরম্মে। অদুবু মখোয়না ঐখোয়বু ফনা কুইনা থাদোক্তে। অমনা অমুক পায়, অমনা অমুক পায় য়েংনৈ। ঐখোয়সি কনা কনানো হায়না মুন্না হংই। ঐখোয়না দ্রামা পার্টিনি হায়। কৃপ্পা ৱারী শানরবা মতুংদা উচিন নাচিন্না মমৈথংদা থাদোরকপনি। নুমিৎতুগী অৱাবদু অঙকপনি। শিফমনি হায়বা তাই। অসিগুম্বা কয়া অসি ঐখোয় তোয়না থেংনৈ। তন্নিবসিদি থৌদোক অমখক্কী ৱানি। চৎপসু, হল্লকপসু চ্যেক ঙাক্তনি। অদুদগী মমৈথংদদি সেন্ত্রেল এস পিদা হায়নরগা ঐখোয়গী মীং ফোটো লোইনা য়াওবা লিষ্ট অমদা সাইন তৌরগা মখোয় অসি আর্টিষ্ট ঙাক্তনি, মখোয়গী প্রোগ্রাম চৎপনি হায়না ইবা চে অমা পায়রগা চৎলে।

মদুনা ফনা য়াম্নদি পাম্বৈ ওইনখি। চেদু হেক উৎপগা ঐখোয়দা মথং-মথং ওইনা ৱাহং পাউহংলগা হেক থাদোরকপা য়াওই। চেদুদং উবদা থাদোকপসু য়াওই। অথেংবা নোংঙাল্লমদাইদা হল্লকপদদি নিশা খাইরগা অদুম লৈবগী টাইপ তৌবসু অদুম য়াওই। আর্মিশিংগী মশকসি তুজ ুংবা ফাওই। অঙাং ওইরিঙৈদা তিল্লাইখোম্বী কিবগুম মোইসি য়াম্না কি, সি ঐগী ৱানি। মবুক ফবসু অদুম য়াওদববুদি নত্তে। আর্টিষ্টনি হায়দুদা ঈশৈ শকউ, এক্টিং তৌ হায়বা কাঙবু য়াম্না থেংনখ্রজাৎনি।

আর্মিগী ৱা ঙাক নত্তনা লীলা চৎলুরগা হল্লকপদা মণিপুর পুলিসকী কম্মান্দো কাঙবু থেংনবদসু অদুম তৌই। মোইনা ঐখোয়সি মশক মুন্না খঙবা ঙাক্তনি। অদুবু মোইগীদু, কৈসু তৌবা ঙম্মোই হায়না মতম লেনবনি, মীবু করেম্নবনি। সি হায়বদা মোই শাউনীংগনি। হৌজিক্কী মতমগী ৱা নত্তে, নীংশিংলিবা মতমসি কুইরবগী ৱানি। মোইনা আর্টিষ্টশিং অসি করি ওইনা খল্লুরবনো খঙদে, য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি কি খংনবা ধপ য়াম্না তৌই। মখোয়না ফনা য়াম্না কিনবা মখোঙ থিল্লবসু, নোংমৈগী বোল্ট ফনা য়াম্না চিংলবসু ঐখোয়দি করি তৌগনি, "ঐ আর্টিষ্টনি লীলা শানবা চৎলুবনি, লোইরগা য়ূমদা হল্লকপনি" হায়বা অসি নত্তনা করি পাউখুম পীগনি। অদুমক্তদা খঙনা খঙনা, লীলা চৎলুবা ওইরদি শেল য়াম ফংলম্মনি, কয়া ফংই, লীলা অমদা কয়া য়েন্নে। সিগুম্বা মরী মখোঙ শম্নদবা ৱাহং পাউহং ময়াম অসিনা লাঞ্জদবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা শাউনীংহনখিবদু, মখোয়বু খম থেংনা নুংশিদবগী মীহুন অমা থম্মোয়দা দং-দং চোঙখৈ কারকখিবদু মখোয়না খঙখিদে। য়াম্না নুংঙাইখিদে। আর্মিসু মখোয়সু লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরিবা, ঙাক শেল্লিবনি, ঐখোয়গী ইথক্তা মীনা লান্দারকপদা ঐখোয়বু কনবীগদৌরিবনি হায়বা অসি ঐখোয়না খঞ্জরবসু মোইনা তৌথোরকপা অদুনদি মমি ফাওবা তাখিদে। মথোং ফনা নিংথিজনা চাদে হায়বা তাই। মমায় মমিৎতু খুমজিল্লগা, ইচম চম্বা আর্টিষ্টনি খঙলবা, সাইকলদা নাইতোম হল্লকপদুবু য়েক্লবা অমদৌনা থবাক ময়ায়দা নোংমৈ মতোন থম্লগা খোঞ্জাও থাদুনা অমদি অঙম্বা থাক্তা তাখৎলগা ঙাঙবদু ময়াং আর্মিনা তৌববুদি খরবু খাংবা ঙমখি। মৈতৈ মচা পুলিসশিংদুনা তৌবদুদি য়াম্না তৌহন্নীংখিদে। অদুনা লীলা ওইনা অমুক ঐখোয়না উৎথোকই, মোইনা তৌরিবা ময়াম অদু। লীলাগী পরিং ওইনা দাইলোগতা ফনা নিংথিনা হায়, "নখোয় উরগা থৱায় হিংলনি হায়না হরাওবা পোকপগী মহুত্তা, পুলিস লাক্লবদি শিরনি হায়না লোৎলিবা অমদি কিদুনা চেন্নরিবা অসিগী মরম নখোয় খঙব্রা" হায়না অচৌবা ৱাহং লীলা ওইনা হংই। মদু মখোয়সু অদুম য়েংই। পুলিসনবু য়েংদবা লৈব্রা? অদু মখোয়সু অদুম নোকই। থোইদোক্না মীয়াম্না মখোয়বু ক্রিটিসাইজ তৌরে হায়বসি থোইনা খনখিদবা মাল্লি। হৌজিক্তি য়াম্না ফরে। ঐখোয়গী পুলিস ঐখোয়গীনি হায়না য়াম্না চাউথোকচবা ফাওরে। মতম অমদদি নীংঙাই চাউবা অঙাংশিং কম্মান্দো লাক্লে হায়রদি নীংঙাই ফবা মতম অমা লৈখি। মদু থোইদোক্না অফবগী নত্তে। তপ্তা লাক্লে, গবর সিং লাক্লে হায়রগা অঙাং কপ্পা ফরিদুবু তপ্তাদু, গবর সিংদু ফবগীরো? হোয় লোইনমক্কী ৱা নত্তে চেঙ চগ্রিং অমনা চেঙকোক অমা মাঙথোকই হায়দুনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৪৯

**উসম ধনঞ্জয়**

কসোম খুল্লেন সব দিভিজন ভিলেজ ওথোরিটিগী কেশো চিথুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ৪গী নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবা অদুৱাইদগী হৌরগা ৩৪শুবা এ আর ই-কোই কম্পনিনা নোংমৈ অমদি বোমনচিংবা কাপ্লকপা অদুদা খুঞ্জা অয়াম্বা য়ূমদগী মপান থোকপা ঙম্নখিদে। নুমিদাংগী পুং ৮ লোম তাবদা মাতুইচিংগী মনঙ্গন্দা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবনি। অদুগা অমুক নোংয়াই মতুং পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা নোংমৈ মরূনা হুইমিগী ওইগী খূৎ ফাওদোক্তুনা মফৈগন্দা ফাওবা শোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসি য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পোষ্ট কম্মান্দর রোসন ছেত্রি সস্পেন্দ তৌগদবনি। এ আর পোষ্ট অসি হোংদোকপা পামই। এ আরনা কাপ্লকপদা শোকখিবা খুঞ্জা অনীমক মতিক চানা লায়েংগদবনি অমসুং মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। অতৈ কম্যুনিতি হোল, প্রাইমারি স্কুল, ৱিভিং সেন্টর, অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমদি য়ূমনচিংবা শোকখিবা পূম্নমক য়েংশিনগদবনি হায়নসু খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

**দিসেম্বর ০৬, ২০০৯ :** চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা মীওই অনী কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ৫.২০ রোম তাবদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদগী অৱাংদা কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লৈবা বিজাং ভেংনোম এ পি রোদতা শকখঙদবা মীওইশিংনা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। মমিংনা হেনখোমাং এলিয়জ হেমাং তৌথাং (২৯) অপোকপগী মিং জামখোজৈ তৌথাং কৌই। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী জাংলেনফাই খুন্দগীনি। ময়ূম মকৈ পান্দুনা মচা ৩ লৈরে। মহাক্কী থবাক্তা নোংমৈ মরূ ৩ পানখিবগী মফমশিং লৈরমই।

অতোপ্পা অমনা, ঙসি অয়ূক পুং ৯ লোম তাবদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্দগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লৈবা বিজাং খুগা রিভর ময়া, কামদৌ ভেং সিমিত্রিদা নুপা অমা শিনা ফংলে।

মমিংনা হেনখোমাং তৌথাং (৩৭) অপোকপগী মিং, কোপতাং কৌই। বিজাং খোপিদগীনি। মহাকসু ময়ূম মকৈ পান্দুনা মচা ৩ লৈরে। মহাক্কী পিশুম অনীমক্তা নোংমৈনা পানবগী দাগফমশিং লৈরমই হায়রি।

অশিবা হকচাং অনীমক পুলিসনা লৌখৎলগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**দিসেম্বর ০৬, ২০০৯ :** ইম্ফালদা কনভেন্সন সেন্টর অমা শেমগৎনবা লুপা কোটি ৪.১৬গী সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্স পীরগনি হায়না কেন্দ্রগী টুরিজম মিনিষ্টর কুমারী সেলজানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সিক্কিমগী গেংতোক্তা পাঙথোকপা রিজনেল কনফরেন্স ওফ ইষ্ট এন্দ নোর্থ ইষ্ট টুরিজম মিনিষ্টর্স হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা টুরিজম প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা থুজিন্নবা ষ্টেট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিশিং শেম্বগী মতাংদসু কুমারি সেলজানা ফোঙদোকখি।

কনভেন্সন সেন্টরশিং শাবগী মতাংদা সেলজানা হায়, গভর্ণমেন্ট/পব্লিক সেক্টর ইনিসিএটিভসকী মখাদা কনভেন্সন সেন্টরশিং শেমগৎনবা ষ্টেট/য়ুনিটশিংদা লুপা কোটি ৫ ফাওবগী সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্স পীনবা খন্নরে। মসিগী মনুংদা মণিপুর অমসুং মিজোরাম্না ইম্ফাল অমসুং আইজোলদা কনভেন্সন সেন্টর অমমম শানবা মথংশিৎনা লুপা কোটি ৪.১৬ অমসুং লুপা কোটি ৪.৬৮গী কেন্দ্রগী তেংবাঙগী শেনফম ফংলগদবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনি।

**দিসেম্বর ০৬, ২০০৯ :** ঙসি ওল মণিপুর পেরেন্টস টিচর্স এসোসিএসন্না শীন্দুনা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা কোইরেঙ্গৈ রোংমৈ বেপটিস চর্চকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা মহৈরোয়শিং অথুবা মতমদা মহৈ তম্বা ফংনবা হোৎনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা জুলাই ২৩গী থৌদোক্কা মরী লৈননা অচুম্বা ৱায়েল ফংননবা অমসুং মীয়াম পূম্নমক্না য়ানগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মমা-মপাশিংনা লৌফম থোকপা থৌদাং খুদিংমক হেক ঙম্বমখৈ লৌমিন্ননবসু লেপ্পখি। ●

# ইমা-ইপাবু ইন্থোকপীবা চুম্ব্রা?

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইমা-ইপাগী লমনদি শিংঙল্লোই হায়নরিবনি। অদুবু অৱাবদি ইরমদম কংলৈপাকসিদা মচা ওইবা কয়ানা মী অমা ওইরক্লবা অমদি ময়ূম মকৈ পাল্লবা মতমদা মখোয় মখোয়গী নুপীবু হেন্না লূম্না খন্দুনা অহল ওইরক্লবা মমা-মপাবু কাউথোকপীবা, ইন্থোকপীবা অমদি তোঙান্না ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থম্বীবনচিংবা তৌবী। মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম খরা হায়রগদি মখোয়না মনীং তম্না হিংজনবা, মখোয় মখোয়গী অমদি মচাশিংগী তুংগী শেল থুম হেন্না তুংশিনবা হায়বা অসিনি।

অদুবু মচা ওইবা ঐখোয় খুদিংমক্না নীংশিংগদবা অমদি কাউরোইদবদি ঐখোয়বু হেক পোকপীবদগী মী অমমম ওইনবা শেল্লকপা তাঙ্কক ফাওবদা ঐখোয়গী ইমা ইপাশিং অসিনা ঐখোয়না মরম ওইদুনা মখোয়গী পুন্সিদা চৎথোক-চৎশিন, থবক ইনখাং তৌবদা নীংখা তম্না তৌবা ঙমদ্রে হায়দুনা মচা ঐখোয়বু কাউথোকপীবা, হুন্দোকপীবা খক তৌরক্তে হায়বা অসিনি। অদুগা মমা মপা ওইবা অমত্তনা মখোয়না হয়েং অহল ওইরক্লবা মতমদা শীজিন্ননবনি হায়দুনা মচাশিংবু মহৈ-মশীন তমহন্দবা অমত্তা লৈতে। মদুগী মহুত্তা চরা নাম্মা চাদুনা মচাশিংনা মী ওইরবদি হায়দুনা অরৈবা শেল থাদনরিবনি, অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবনি।

মমা মপা ওইবা খুদিংমক্না মচাগীনি হায়দুনা হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনদুনা, চরা ফাওবা হেন্দুনা মচাশিংবু মী ওইনবা হোৎনরিবা ঐখোয়না কাউফদে। শেল লৈতে হায়দুনা মচাশিং অসিবু ইরায় লায়না মহৈ মশীন তমহনগুমসি হায়বগী ৱাখল্লোলসু লৈতে। মচাশিংবু তুংদা মী অমমম ওইবা ঙমজনবা হোৎনবা হায়বসি মমা মপা ওইবা খুদিংমক্কী মথৌ ওইরিবনি। অসুম্না ঙসি ৱানা ৱানা হিংলবসু নোংমদি মচাশিং অসিনা মী অমমম ওইরকান্দা শোয়দনা নুংঙাইরকখিগনি হায়দুনা হিংনরিবনি মমা মপা ওইবা কয়া। অদুগা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মচাশিং অসিনা মী অমমম ওইরকান্দা মাগী মাগী নুপীশিংবুনা হেন্না লূম্না লৌদুনা অহল ওইরবা, শেল থোক্ত্রবা, শোল্লবা, মনাসু পংলক্লবা, মীৎসু উরক্ত্রবা, অতোপ্পগী মতেং মথৌ তারক্লবা মতম অদুদা মমা মপাশিংবু কাউথোকপীবা, থৌওইদনা তৌবীবা অমদি ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবীবা হায়বসি য়াম্না লাল্লি, তৌহৈদে।

ইশা ইশাগী ওইজবা থিদুনা অহল ওইরবা ইমা ইপাবু কাউথোকপীবা, ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবা হায়বা অসিবু মখোয়না ঐখোয়বু নুংশিনা মী অমমম ওইনবা য়োকপীরকপা অদুগী লমনলা। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী ইমা ইপাশিংনা ঐখোয়সি মখোয়গী মফমদা য়াম্না অয়েৎপা পী নৎত্রগা মখোয়না মনীং মখা তম্না হিংবা ঙমদে হায়দুনা ঐখোয়বু কৈদৌঙৈদসু চিলদ্রেন হোমদা থম্লক্তে।

ইমা ইপাশিংনা শেল থোক্লিঙৈ, নহা ওইরিঙৈ, মমিৎ মনা শিংলিঙৈ মতমদনা মখোয়দা তাংদুনা লৈমিন্নবা, মখোয়দা পীয়ু-পীয়ু হায়না তক্লকপা অদুগা মখোয়না অহল ওইরক্তুনা শেল থোক্ত্রবা, ৱাখল চোইরক্লবা, মমিৎ-মনা শিংলক্ত্রবা মতমদনা মখোয়দা অমুক পীবীবগী মহুত্তা মখোয়বু মীরেমনি, কান্নদ্রবনি কায়না কাউথোকপীবা, ইন্থোকপীবা হায়বসি মীওইবগী হৌন লোনচৎ নত্তে। মসিদি শাগী লমচৎ হায়বদুনি। শাশিংদি মখোয়না চাওরক্লবা মতমদা মমা মপাবু থাদোক্তুনা মখোয় মখোয়গী হিংনবা চৎনখি অদুবু মীওইবা ঐখোয়দি মসি তৌনদে। য়াম্না হেন্না নুংঙাইত্রিবদি শেল থোক্তবা, নীংশিংবগী পাঙ্গল ৱাৎলকপা, মীৎ-না শেংনা উরক্তবা, তারক্তবা, মদোম চথোক চৎশিন ঙম্লক্তবা, মদোম থাকচবা ঙম্লক্তবা অসিনচিংবশিংগী মথক্তা, অহল ওইরকপা হায়বসিদি ৱাখল চোইরকই, মরুপ মপাং লৈরক্তে, মখোয় মখোয়গা পুন্সি খোংদামিন্নরকপা মপাং কায়নরকপনা পূক্লিং, ৱাখল য়াম্না শোন্থরকই। অসিগুম্লবা মতম অসিদদি মখোয়বু কাউথোকপীবগী মহুত্তা মখোয়গা তোয়না লোয়নদুনা ৱারী ৱাতাই শানবা, চামিন-থকমিন্নবা, মখোয়বু লৈরক লমহাং অমদি লম্পাক লমজাওদা পুথোকপীদুনা মখোয়বু হেন্না নুংশিনা তৌবীফম থোকই। অসুম্না তৌবিরবদি মখোয়গী লেমহৌরিবা তেল্লবা পুন্সি অদু নুংঙাইনা পুন্সি লোমখিগনি। মসি পূম্নমক অসি নহা ওইরিবা মচা মশু কয়ানা খঙনদে।

য়ারবদি, ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টমদা মমা মপাশিংবু, অহল ওইরবা মীওইশিংবু মতৌ করম্না লোয়নগনি অমদি মখোয়গী অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না করি তৌফম থোকই হায়বনচিংবা ৱারমশিং অসি তম্বীগদবনি। তম্বীবা য়াওদনা নহা ওইরিবা মচাশিংনা হেক্তা খঙজগনি হায়না থম্বদি লানগনি। লোয়ননা অহল ওইশিল্লকপা মতমদা থেংনবা খুদোংচাদবা ময়াম অসি নহারোলশিংদা খঙহনবা য়াম্না মথৌ তাই। ইমা ইপা মীৎনা উবা লাইনি হায়বখক্তনা চৎনবা য়ারোই। মদু চৎনবা য়াদবা অদুননি হৌজিক্কান্দা মমা মপাশিংবু কাউথোকপা, হুন্দোকপা, ইন্থোকপনচিংবা কয়া থোক্লিবা। অসিগুম্বা তৌহৈদবা থৌদোকশিং অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি ঐখোয়গী ইমা ইপাশিংদা করম্বা হৌন লোনচৎ চৎকনি অমদি মখোয়না অহল ওইরক্লবা কান্দা মচা অমা ওইনা ঐখোয়না করি তৌফম থোকই হায়বসি তম্বীবা য়াম্না মথৌ তাই।

নোংমদি ঐখোয়সু অহল হায়বদো ওইরক্কনি হায়বসি ঐখোয়না মতম চূপ্পদা কাউরোইদবনি। ঐখোয়না ঙসি ঐখোয়বু পোকপীরকপা, চাউনবা অমদি মী অমমম ওইনবা হোৎনবদা অৱা অনা কয়া থেংনদুনা লাক্লবা ইমা ইপাবু কাউথোকপীরবা, হুন্দোকপীরবা, থৌশাবিদ্রবা, নোংমদি ঐখোয়সু ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংনা মদুমক ঐখোয়দা তৌরক্লোই হায়নীংঙাই করিসু লৈতে। মদু থোকহন্নিংদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমা ইপাশিংবু নুংশিনা তৌবীসি, মখোয়বু নুংঙাইনা থম্বীসি মখোয়গী অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদা। মখোয় লৈত্রকান্দা মখোয়গী থৱায়না নুংঙাইনবনি হায়দুনা শোরাৎনচিংবা চাউনা শোন্দুনা মীয়ামদা উৎপদুনদি মখোয়গী থৱায়না করিসু নুংঙাইগদবা লৈতে। মখোয়না পামজরিবদি হিংলিঙৈদা মখোয়বু নুংশিনা, নুংঙাইনা থম্বীবা অদুনি। মরু ওইনা ঙসি ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা মখোয়বু য়াম্না চেকশিন্না, নুংশিনা, নুংঙাইনা থম্বীসি। ইমা ইপাবু নুংশিনা থম্বীবনা য়াইফরে। ●